**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16.04.2024)**

**মীখল (এল)ঃ** লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা ভোট থাদনগদৌরিবা মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিট অনিগী ভোট খোম্বগী মতম হয়েং নুংথিল লোয়রে।

অহানবা তাঙ্কক্তা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরিগী বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ অমসুং আউটরগী কেন্দ্র ১৫ দা ভোট থাদনগনি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা থাদনগনি। মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রাজনিতি দলশিং অমদি মীরেপশিংনা ফোংনা ভোট খোমদ্রবসু সোসিএল মিদিয়া, কেমেরা মিটিংনচিংবা পাঙথোকরি। বি.জে.পি. লুচিংবা অমিত সাহ ঙরাং ইম্ফালদা লাক্কুনা বি.জে.পি. মীরেপকীদমক ভোট খোল্লমখি।

তাঙ্কক অসিদা ইন্নরদা মীরেপ তরুক অমসুং আউটরদা মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি। ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা অঙামচা বিমোল অকোইজমগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম ঙসি কৈশামথোংদা লৈবা মহাক্কী যুমদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী সি.ই.ওনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৪০৪ হাংদোক্কনি। মসিগী মনুংদা লাঞ্জেন্নরিবা ভোটরশিংগী ওইনা হাংদোকপা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৫ য়াওরি।

মীখল অসিগীদমক অপুনবা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ১১৮ হাংদোক্কনি। মসিগী মনুংদা ৯১ দি নুপী ঙাক্তুনা মথৌ তৌবা পোল্লিং ষ্টেসন ওইগনি। পার্সন ৱিট দিসএবিলিতি ঙাক্তুনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন মরি য়াওরি।

মীখল শান্তি ওইনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার অমসুং মরি লৈনবা রিটর্নিং ওফিসারশিংনা থবক পায়খৎলে।

থৌবাল জিলাদসু মীখলগী শেম শাবা থবক পুমমক লোয়রে। মীখল অসিদা থৌবাল জিলাগী ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এসেমব্লি সেগমেন্ট অহুম অমসুং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র অহুম পুন্না সেগমেন্ট তরুক্কী পোল্লিং ষ্টেসন ২৪৮ দা ভোট থাদনগনি।

**সোথিং (এল)ঃ** অনিশুবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদগদৌরিবা আউটর মনিপুর বিধান সভা সিটকী মনুং চনবা উখ্রুল জিলাগী চিংঙাই অমসুং উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রদা লৈরিবা অহল ওইরবশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিং পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোট থাদনরি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ সব-দিভিজনদা মীখলগী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং ঙসিদগী চৎপা হৌখ্রে। মখোয়বু ঙসি তুইবোং পিছ গ্রাউন্দদগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-ধারুন কুমারনা লমথাখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অরোইবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা মীখলদা শিজিন্নগদৌরিবা ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি.পেথ লৌথোকবা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং তরুক্তা জিলা অসিগী কেন্দ্র তরুক অমসুং অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ওইনা মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্ট্রোং রুমশিং হাংদোক্লগনি।

**সিবিসি (এল)ঃ** সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন ইম্ফালগী দাইরেক্তর-ইঙম পামেনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মীয়ামনা ইশাগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খন্না ভোট থাদবীয়ু।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা সি.বি.সি. রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিনদুনা সিসটেমেটিক ভোটর এদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিব) কী মতাংদা ঙসি ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা সি.বি.সি. রিজনেল ওফিসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শ্রী

ইঙম পামেনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামদা ভোট থাদবগী মরুওইবশিং অদু নীংথিনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ। ভোট থাদবা হায়বসি সংবিধাননা পীবা মীয়ামগী হকনি। ইশাগী ভোট থাদবগী অধিকার অসি নীংথিনা শিজিন্নদুনা অফবা মীরেপ খলহৌনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগনা ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়না মিংথোনবা পোষ্টর অমদি মাচ এৱারনেসনেল কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীফম পাঙথোকখ্রে।

নোংঙাদা, লৈমপোকপম, মোইরাং লমখায়, ৱাঙু, কৈনৌ থোংখানচিংবা মফমশিংদা লিফলেট অমদি বুকলেট য়েন্থোকপগা লোয়ননা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ভোটশিংনা নিয়ম চুমা অমদি শেল লৌদনা ভোট থাদনবগী মতাংদা কেম্পেইন চখ্খি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবা থৌরম-হোংলক্লিবা অইং অশাগী খলদা মনিপুরগী ১৬ শুবা তাঙ্কক্তা মনিপুরদা হোংলক্লিবা অইং আশাগী খলনা লোক্তাক পাৎতা পীবা চৈথেং হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল-অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**পেট্রোল (এল)**ঃ ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হায়ৱেগী তৌসেম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তোলেন খুল ময়াগী কৈমাইদা খুৎলায় পায়বশিংনা এম্বুস তৌরকপদা মীওই অমা অশোক অপন নংলে, গাড়ি কয়ামরুম অমাং অতা থোক্লে। থৌদোক থোকফম অদু জিরিবামদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপা লৈবা মফম অমদনি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী-রিংবম কামৈনা হায়-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অসিদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা গাড়িশিংদা এম্বুস তৌরকপা অদুদা পেট্রোল টেঙ্কর ৪ অমসুং এল.পি.জি. বুল্লেট টেঙ্ক অমা অকায়

অতোয় থোকখি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা ওইল টেঙ্করগী দ্রাইভর অদু নুঙবা পি.ঐচ.সিদা ফাষ্ট এদ পীরবা মতুং খোশাং হেলি পেথতগী হেলিকোপ্তরনা ইম্ফাল তমা পুখ্রে। মহাক ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা হৌজিক লায়েংলি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুৰাইদা লৈবা খুলশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চথখি। অদুমওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা খুৎলায় পায়বশিংনা পেত্রোল টেঙ্কর য়াওনা গাড়িশিংদা এট্টেক চথুরকখ্রবা মতুং মীয়ামনা পেত্রোল অমসুং দিজল ফংলরোই হায়না মীপায়নবদগী পেত্রোল পম্প মমাংদা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্লা থেংনরে। মসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পাবিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অশেমনা হায়রি-রাজ্য অসিগী ওইনা পেত্রোল অমসুং দিজলগী স্তোক মরাং কায়না লৈরি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামনা পেত্রোল অমসুং দিজল ফংলরোই হায়না মীপায়বদগী পম্পশিংগী মমাংদা ক্যু শাংনা লেপ্পগী থবক অসি তৌবীগনু। থাওগী অৰাৎপা লৈরোই। মহাকা হায়-পেত্রোল পম্প খুদিংমকসু মহৌশাগুমা থোং হাংদুনা মীয়ামদা থাউ ফংহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না খঙহল্লি।

**কন্দেম (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হায়ৱেদা ঙসি খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিনদুনা দ্রাইভর অমবু শোকহনখিবা অমদি গাড়ি কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অদুবু জোইন্ট ত্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, জেমি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, লিয়াংমৈ নাগা কাতিমাই রুৱাংবী অমদি ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন-মনিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**লম্বী(এল)ঃ** ইম্ফাল তুরেলগী কিয়ামগৈ অমসুং বাসিখোং ফাওনবা লম্বীগী মথক্তা শারিবা থোং চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি। পি.ডব্লিয়ু.দি.

ব্রিজ দিভিজন মনিপুরগী ইগজ্‌কিটিব ইঞ্জিনিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থোং অসিগী ফিভম ফত্তবনা মাল পুবা গাড়িশিং লানথোক লানশিন তৌবা খুদক্তগী থিংলে।

**পুলিস(এল)ঃ** গুরখা রাইফল, নম্বোল পুলিস, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং এস.এস.বিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক বিষ্ণুপুর জিলাগী ইরেংবম মনিং লৈকাই অমদি আইগেজাং ভিলেজ অনিগী তায়নবা এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-খুৎশু খুৎলায়শিং অদু বোড়া খাউ অহুমদা হাপ্পুনা থম্লম্বনি। ফারবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা-মেগজিনগা লোয়নবা করবাইন অমা, মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল অনি, ফ্লেয়ার পিষ্টোল অমা, কিলোগ্রাম অমা হেন্না লুম্বা আই.ই.দি. অমা, পোকখায়দ্রিবা টৌইন্তি ৱান এম.এমগী মোটার সেল অহুম, ফিফতি ৱান এম.এমগী মোটার সেল অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ মরি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী নোংমৈ মরু ৫৫, করবাইন মরু ৫২, ৱাকি টোকি অনিনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ৩৭ শুবা অসাম রাইফস অমসুং ককচিং পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবু অমনা সুগ্‌ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উতাংপোকপী খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা কন্ট্রিমেট পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ মঙা, ৱাকি-টোকি সেট অমা ফাগৎপা ঙমখি।

**সিভিল সার্ভিস(এল)ঃ** য়ুনিয়ন পাব্লিক কম্মিসনননা লৌবা সিভিল সাভির্সেস ইগজামিনেসন-২০২৩ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

পুন্না কেন্দিদেট লিশিং ১,০১৬ পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্লে। পরিক্ষা অসিগী অইবা চাংয়েং মমাং চহিগী সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকখি অদুগা ইন্টরভিয়ুনা চহি অসিগী জানুৱারীদ থাদা পাঙথোকখি।

সিভিল সার্ভিস পরিক্ষাদা মায় পাক্লবশিংবু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা

থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পরিক্ষা অসিদা মায় পাকহৌদবশিং নীংহন্নবা তৌরোইদবনি। মসিনা অরোইবা নত্তে। তুংদা, মায় পাক্লকপগী ওইথোকপা য়াবা কয়ামরুম লৈরি।

**স্কুল (এল)ঃ** চিলদ্রেন ৱিট স্পিসিএল নিটস (সি.ডব্লিয়ু.এস.এন) খঙদোক্তুনা মশাগা চান্নবা এদস এন্দ এপ্লাইয়েন্স পীনবগীদমক নোংমগী ওইবা মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অমা ঙসি জোনস্তোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

জোনেল এদুকেসন ওফিসার (জোন-ৱান) ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা চহি অহুমদগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা সি.ডব্লিয়ু.এস.এন. অঙাংশিং, আউট ওফ স্কুল চিলদ্রেন, স্কুলদা মিং চনদ্রিবা অমদি লাইরিক তম্বা তোকখ্রবা অঙাংশিংদা মসিগী খুদোংচাবা পীরি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** আইদিয়েল টিচরস ত্রেন্নিং একাডমী-শজিৱাগী ফিল্কতি দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসুং ভেট ফোর সিমিস্তর স্কুল ইন্টরনসিপ ঙসি কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা হৌদোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি চহি অসিগী জ্লাই ২৩ ফাওবা চথগনি।

**কেন্দি (এল)ঃ** অঙাংশিংনা পামা চান্নরিবা অচাপোৎ কটন কেন্দিদা হকচাংদা শোকনিংঙাই ওইবা রোদামিন (বি) য়াওবা থেংনবদগী রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা অচাপোৎ মখল অসি রাজ্য অসিদা চাবা অমদি শাবা থিংখ্রে।

রাজ্য সরকারগী ফুদ সেফতি কম্মিস্নারসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি-ডাঃ বিনিট যোসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, কৈথেলদা পাক শন্না য়োন্নরিবা অচাপোৎ কটন কেন্দিগী সেম্পল লৌখৎতুনা ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটোরিদা থাদুনা টেষ্ট তৌবদা অচাপোৎ অসিদা মীয়ামগী হকশেলদা শোকপা য়াবা রোদামিন (বি) য়াওবা থেংনবনি। মীয়ামগী হকশেলদা

শোকহল্লক্কদবা কয়া অদুগী য়েংলগা হায়রিবা অচাপোৎ মখল অসি ঙসিদগী হৌরগা চহি অমা য়োনবা থিংলে।

**কমিতি (এল)ঃ** হিলস এন্দ ভেল্লি রিলিফ দিমান্দ কমিতিনা ইং কুমজা ২০১৯ দা থোকখিবা ইকংগা মরী লৈননা সরকারনা পীথোক্তনা লৈরিবা রিলিফ এসিষ্টেন্ট অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা দাবী তৌরি।

চেরোল অমদা কমিতি অসিনা হায়-রাজ্য সরকারনা ইং ২০১৯ ইকং থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং কেন্দ্রগী হোর্ম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়দা শেন্থং পীবিনবা হায়জখি। মদুগী মখা তারকপদা এন.দি.আর.এফনা লুপা কোতি ২৬ লাখ ৫৩ কায়থোকখি। হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈরিবা শেনফম অসি অথুবা মতমদা থাদোক্তুনা লৌমীশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোকবা কমিতিনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**কলচর (এল)ঃ** অনজি কলচরেল একাডমী লিংখৎখিবগী ২৫ রক শুবা মপোক কুমওন ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবদা লৈবা একাডমী অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সঙ্গিত নাতক একাডমী-ন্যু দিল্লিগী তেংবাংগা লোয়ননা চথরকপা নুমিৎ মঙানিগী খুল্লং ঈশৈগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রামসু লোয়শিনখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সি.ৱাই.এল.সি. চিঙামথক্তা চথরিবা মঙাশুবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসিগী মেটচতা এল.এফ.সিনা আই.ই. ভি. এস.এবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং য়ু.ভি.এস.এনা এম.এম.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**বোক্সিং (এল)ঃ** বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগা পুন্না খুৎশমদুনা হরিয়ানাগী রোতাক্তা লৈবা সাই নেসনেল বোক্সিং একাডমীদা চথরিবা খেল্লো ইন্দিয়া কম্বাইন নেসনেল য়ুথ বোইজ বোক্সিং

চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকাইদগী মোইরাংথেম কবিরাজনা কিলোগ্রাম ৬৩ দগী ৬৭ ফাওবগী কেটেগোরিদা সনাগী তকমান লৌরক্লে।

**কম্মিসনঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা হায়রি-লোক সভা মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট হেক চৎনবদগী তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিং অমদি মীরেপশিংনা ৰাকৎ ২০০ হেন্না থাংগৎলকখি। ৰাকৎশিং অদুগী মনুংদা কেস ১৬৯ দি থবক লৌখৎখ্রে। মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট লোক সভা মীখল হেক লাউথোকপদগী মার্চ ১৬ তগী চৎনবা হৌরকখিবনি।

কম্মিসননা হায়-ৰাকৎশিং অদুগী মনুংদা বি.জে.পিগী ৫১, কংগ্রেসকী ৫৯ অমদি অতৈ রাজনিতি দলশিংদগী ৰাকৎ ৯০ লাকখি। কম্মিসননা হায়-রাজনিতি দলশিংনা মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট ঙাকপা চৎপা অদু থাগৎনিংঙাইনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা নুপীশিংগী ইজৎ শোকপা য়াবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কম্মিসননা অখন্ননা থবক লৌখৎলি।

**অসামঃ** অসামদা পরেশ বারুৱানা লুচিংবা অলফাগী কাংবুশিং ওইরম্বা য়াই হায়বা লালহৌবশিংনা এম্বুস তৌরকপদা অসাম রাইফলসকী মীওই অমা অশোক অপন নংলে।

থৌদোক অদু অরুনাচল প্রদেসকা তায়নবা মারগেরিতাগী নমদাং এরিয়াদা ঙসি অয়ুক থোকখিবনি। ঙাকশেলগী পাউনা হায়-থৌদোক অদুদা শোক্লবা অসাম রাইফলসকী জৱান অদু মখা তানা লায়েংনবগীদমক জোরহাটতা পুখ্রে। এটেক অদুগী মতুং তারকপদা অসাম রাইফলসনসু হনদুনা নোংমৈ কাপখি। অদুমওইনমক, হৌজিক ফাওবদা অশোক অপন কয়া য়ামা য়াওবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।